# থাইলেন্দ টাটা ফার্মগী এম দি শিবদগী টাটা মোটোরগী ষ্টোক হায়থখ্রে

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ২৭ঃ* থাইলেন্দদা লৈবা টাটা মোটোর্সকী ফার্ম অমগী মেনেজিং দিরেক্টর কার্ল স্লিম শিখিবদগী টাটা মোটোর্সকী ষ্টোক ঙসি চাদ ৬ হেন্না হন্থখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেনেজিং দিরেক্টর অসি মশা মথন্তা শিজবা ওইরম্বা য়াই হায়বা চিংনবা লৈবদগী থাইলেন্দ পুলিসনা মিশি অসিগী মতাংদা কুপ্না থিগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা বেঙ্কোক্তা লৈবা হোটেল অমগী ২২ শুবা মথোলদগী তারক্লুনা স্লিম লৈখিদবনি। মতম অদুদা কম্পেনি অসিগী থাই য়ুনিটকী বোর্দ মিটিং অমা স্লিমনা শরুক য়াখিবনি। পুলিসনা হায়বগী মতুংইন্না স্লিমনা শিদ্রিঙৈদা ইরম্বনি হায়বা স্যুসাইদ নোট অমা পুলিসনা কন্না থিজিল্লি হায়রি।

মশাগী চহি ৫১ শুরবা বৃটেনদা পোকপা একজিক্যুটিভ অসিনা ওল ইন্দিয়া বেজ ওইবা টাটা মোটোর্সকী ওপরেসনশিং চলাইরম্বনি। ইংলেন্দগী দর্বিদগী হৌরকখিবা স্লিম অসি য়ু কেদা টোয়োটাগীদমক থবক তৌরম্মী। অদুগী মতুংদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাদা জেনরেল মোটোর্সকী থবক তৌরম্মী।

জাইন টাটা গ্রুপকী শরুক অমা ওইরিবা টাটা মোটোর্সকী মেনেজিং দিরেক্টর ওইনা ইং ২০১২ গী ওক্টোবর থাদগী কার্ল স্লিম মেনেজিং দিরেক্টর ওইরম্বনি।

মহাক শিখিবগী পাউ শন্দোরকপদগী টাটা মোটোর্সকী ষ্টোক চাদা ৬ হায়থনা ক্লোজ তৌখি। থাইলেন্দগী কোনুং অসিদা পুলিসনা হায়বদা মখোয়না হৌজিক হৌজিক মহাক মথন্তা শিজখিবনি হায়বগী পরিংদা থিগৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস ওফিসিয়েল সোময়োট বুনিয়াকেয়ুনা হায়বদা মখোয়না থিগৎপা মতমদা স্লিমনা তাখিবনি হায়বা কা অদুদা করিগুম্বা মুক্নবা লাক্লবা অমত্তগী খুদম থেংনখিদে হায়নসু ফোঙদোকই।

শাঙ্গ্রি-লা হায়বা হোটেল অদুগী কা অদুদা স্লিম মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়নন্না লৈরম্বনি। পুলিস ওফিসিয়েল অসিনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা থোঙনাও অমা



*ইং ২০১০ গী জনুৱারীদা টাটা মোটোর্সকী কার অমা লোঞ্চ তৌবদা কার্ল স্লিম (ফাইল ফোটো)*

হাঙদোক্লম্বা ঐখোয়না থেংনৈ। মদু অসুক্কী মতিক খুই। মদুদি মহাক লিংথোকপা চল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থোঙনাও অদুদগী মহাক তাবা তারবদি থওইনা কাখৎলমগনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ঐখোয়না থিগৎপদা মহাক চোংথখিবা ওইগনি থাজে।

ঐখোয়না ফংবা চেনা অহুমগী ইংলিস লোনদা ইরম্বা স্যুসাইদ নোট অদু তশেংনমক মহাক্না ইরম্বনি হায়বা ঐখোয়না কনফার্ম তৌদ্রি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মহাক্কী হকচাং ঙসি পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা য়াই।

টাটা মোটোর্সনদি মহাক শিখিবগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদ্রে। টাটা চিয়ারমেন সাইরস পি মিষ্ট্রিনা হায়বদা স্লিম অসি মমল য়াম্বা কলিগ অমনি হায়না শিংথাবগা লোয়ননা ইন্দিয়ান ওটো ইন্দষ্ট্রিনা থোইদোক্লা খুদোংচাদবা তানফম অমদা মহাক্লা মতিক চাবা লিদরসিপ উৎখিবা মীশকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# আফগানিষ্টাননা শাথিরবা ফাদোক ৩৭ থাদোকখ্রে

*কাবুল, জনুৱারি ২৭ঃ* য়ু এস মিলিটরিনা হায়বগী মতুংইন্না আফগানিষ্টান লৈবাক্তা অমদি রিজন অসিদা খুদোংথিবা য়াবা অকিবা থোকহল্লকপা ঙমগদবা শাথিরবা ফাদোক ৩৭ আফগানিষ্টান গভর্নমেন্টনা থাদোকখ্রে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ফাদোকশিং থাদোকপা থাদোক্তবগী ৱাফম অসি আফগানিষ্টান অমদি য়ু এসকী মরীদা শোকহনবা য়াবা হিরম অমা ওইদুনা লাকপনি। হৌজিক হৌজিকসু চহি অসি লোইরবা মতুং ফাওবদা য়ু এস অমদি মসিগী মপাং ওইনবা লান্মীশিং আফগানিষ্টানদা মখা তানা লৈথবগী য়ানরোল অমা লৈবাক অনিনা লৈখাই তাবা ঙমদনা লৈরিবনি।

ঙসি মখুৎতা আফগানিষ্টান মচাশিংগী ঈ চুরবা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা ইন্সর্জেন্টশিং অদু থাদোকখিবা থৌওং অসি য়ু এসনা কন্দেম তৌবা ফোঙদোকখ্রে।

ফাদোকশিং অসি মীরৈবাক্কী অমদি আফগানিষ্টান গভর্নমেন্টকী লান্মীশিংদা এটেক চথবা অমদি লম্বীদা বোম ফুমদুনা মীহাৎ মীপুন চথবদা চেন্নবা ঙাক্তনি হায়নসু য়ু এসনা ফোঙদোকখ্রে।

আফগানিষ্টান গভর্নমেন্টনা হায়বদদি ফাদোকশিং অসিগী কেস অমুক হন্না রিভিয়ু তৌবদা য়ু এসনা কন্না ফাজিন্দুনা থম্বা পাল্লিবা দিটেনি ৮৮ গী মনুংদা ৪৫ না অরানবা থবক তৌখি হায়বগী খুদম অমত্তা ফংবা ঙমখিদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু লেমহৌরিবশিং অদুগী মথক্তদি মতিক চানা খুদম ফংখি হায়নসু আফগানিষ্টাননা ফোঙদোকখি।

মায়কৈ কয়াদগী ৱারোল অমতং খঙনবা আফগান ওফিসিয়েলশিংদা পাউ ফাওননবা হোৎনবদা ঙসি ফাওবগী ওইনদি ৱারোল অমত্তা ফংদ্রি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অলকাইদা থেংনবদা ইরাকপু বিদেননা তেংবাংগে হায়খ্রে

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ২৭ঃ* ইরাক্কী ফোর্সশিংনা অলকাইদা অমদি মসিগা শম্না মিলিটেন্টশিং থেংনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হান্নদগী মতেং পাংলকপগুম মখা তানা মতেং পাংখিগনি হায়না য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট জো বিদেননা ফোঙদোকখ্রে।



হ্বাইট হাউসনা হায়বদা বিদেননা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নৌরি অল মালিকীগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা ঙরাং ইরাক্কী মফম কয়ামরুমদা চথখিবা কার বোম্বীংশিং অমদি নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখিবনি। অদুগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা অলকাইদাগা মরী লৈনবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংসু ইরাং কল্লিবা নোংচুপ থংবা অনবার প্রোভিন্সতা মখা তানা চথখিবনি।

ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ দা লেভান্ট হায়বা ইরাক্কী অলকাইদা ৱাঞ্চ অসিনা অনবার প্রোভিন্সকী কোনুং রামাদিগী শরুক খরা পায়শিনখিবগা লোয়ননা নক্লবদা লৈবা ফালুজা সিটিগী ময়াই থংবা শরুকসু কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবনি। জো বিদেননা হায়খিবদা অল কাইদাগা থেংনবদা ইরাক্কী ট্রাইবেল ফোর্সশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা অল মালিকিগী গভর্নমেন্টনা হোৎনরিবা অসি তশেংনা থাগৎনিঙাইনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অলকাইদা থেংনবদা থোকপা অশোক-অপন অমদি মীশি মীনাশিংগী কম্পেন্সেসননচিংবা পীদুনা ইরাক্তা তেংবাংগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি হায়রি।

# য়ুক্রেন জষ্টিস মিনিষ্টরনা ইমর্জেন্সি ৱার্নিং পীখ্রে



*কিয়েব, জনুৱারি ২৭ঃ* য়ুক্রেনগী জষ্টিস মিনিষ্টরনা খুদুম চনশিন্দুনা লৈরিবা গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংনা অথুবা মতমদা মিনিষ্ট্রি অদুবু থাদোক্ত্রবদি মহাক্না ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোক্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

নেস্নেল সিক্যুরিটি এন্দ দিফেন্স কাউন্সিলদা ইমর্জেন্সিগা মরী লৈনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা মহাক্না খঙহল্লগনি হায়নসু ওলেনা লুকাস হায়বী জষ্টিস মিনিষ্টর অসিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎলোইশিংনা মথং মথং খুদুম চনশিল্লকপদা খ্বাইদগী কোন্না পায়শিনখিবদি জষ্টিস মিনিষ্ট্রি অসিনি। মীয়ামগী ইরাং মরক্তা ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা লৈবা বিল্ডিংশিং ৱাকৎলোইশিংনা খুদুম চনশিল্লকপগী মতৌ অমা য়ুক্রেনদা হৌজিক নোংম-নোংমগী শন্দোরক্লি।

লৈবাক অসিগী নোংপোক্লোমদা লৈবা মফমশিংদদি য়াম্না তোয়না এটেক চথরকপগা লোয়ননা লমদমশিং অসিদি রসিয়াগা হেন্না নকশিন্নবা অদুগা প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিসপু চাওনা শৌগৎপা মফমশিংনি।

ৱাকৎলোই অমনা হায়খিবদা মিনিষ্ট্রি ওফ জষ্টিসপু পায়শিনবা অসি মীয়ামনা হৌগৎলকপগী অশেংবা খুদম অমনি। হৌজিক য়ুক্রেনগী ওঠোরিটিশিংগী মখুৎতা জষ্টিস হায়বদু পায়দ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জষ্টিস মিনিষ্ট্রিবু খুদুম চনশিল্লিবা ৱাকৎলোইশিংগী ওর্গনাইজর অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা ঐখোয় ঙাওশিন-ফৈজিন্নবা অকাইবা তৌবগী থবক্তি চথরোই। মী অমত্তবু অশোক অপন থোকহল্লোই। ঐখোয়না হৌরক্লিবসি অচুম্বগীদমকনি। ঐখোয় শান্তি পাম্বা মী ঙাক্তনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুবু জষ্টিস মিনিষ্টর ওলেনা লুকাসনা হায়বদদি ৱাকৎলোইশিংনা জষ্টিস মিনিষ্ট্রিগী বিল্ডিং থাদোক্তুনা চৎত্রবদি নেস্নেল সিক্যুরিটি এন্দ দিফেন্স কাউন্সিলদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোক্লবা ঐনা খঙহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# য়ু এসনা সোমালিয়াদা এয়ার ষ্ট্রাইক চথখ্রে

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ২৭ঃ* য়ু এস মিলিটরি ওফিসিয়েলশিংনা পাউগী এজেন্সি অমদা মশক মমিং লোৎতুনা হায়খিবা ৱাফম অমদা অলকাইদা অমদি অল সবাবকা মরী লৈনবা মিলিটেন্ট লিদর অমা লৈরমগনি হায়না চিংনবা সোমালিয়াগী মফম অমদা য়ু এস মিলিটরিনা মীসাইল এটেক চথখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েল অসিনা হায়বগী মতুংইন্না ষ্ট্রাইক অদু খা-থংবা সোমালিয়াদা চথখিবনি হায়রি। মসিদগী হেন্না মখোয়না চিংনরিবা লালহৌ লুচিংবা অদুগী মমিং নত্রগা চথখিবা এয়ার ষ্ট্রাইক অদু মায় পাকখিবরা নত্রগা পাকখিদবরা হায়বনচিংবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱাফম অমত্তদি ফোঙদোরকখিদে।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা অতোপ্পা ওফিসিয়েল অমনা হায়বদসু সোমালিয়াগী বারাৱে মনাক্তা লৈবা মফম অমদা ওপরেসন অদু চথখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

সোমালিয়াগী খা থংবা সমুদ্র মপালদা লৈবা বারাৱে অসি ইক্রিমা হায়না খঙনবা মিলিটেন্ট অমবু টার্গেট তৌদুনা অমেরিকাগী কম্মান্দোশিংনা হৌখিবা ওক্টোবর থাদা চথখিবা রেইদ অমা মায়থিখিবা মিলিটেন্টশিংনা খুৎলিংবা মফম অমনি। মতম অদুদা য়ু এস ফোর্সশিংনা ইক্রিমাবু ফাবা ফংদনা নোংমৈ কাপ্নরুবা মতুংদা হন্দোরকখি।

ইক্রিমা হায়বা মিলিটেন্ট লিদর অসি য়ুমথংনবা কেনিয়াগী মথক্তা এটেক কয়ামরুম থৌরাং তৌবগা লোয়ননা হনবা লৈতনা চথবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবা মীশকনি।

অমরোমদা হৌখিবা চহি ২ লোমগী মনুংদা অল সবাব হায়বা লুপ অসি অফ্রিকান য়ুনিয়ন ত্রুপশিংনা মপাঙ্গল শোন্থহনখ্রবনি। অদুবু সোমালিয়াদা সারিয়া লো হকচিন্না চথহন্নবা অল সবাবনা হৌখিবা চহি ৭ লোম অকনবা লালহৌ চথরকপগা লোয়ননা নাইরোবিদসু হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা লুপ অসিনা অকনবা এটেক চথদুনা মীওই ৬৭ হাৎখিবনি।

হাকুম চহিগী লোইরমদাইদগী য়ু এস মিলিটরিনা সোমালিয়াদা হেন্না পুক্লিং চংশিল্লকপগা লোয়ননা সোমালিয়াগী কোনুং মোগা দিসুদা য়ুনিট অমা লিংদুনা অফ্রিকান য়ুনিয়ন অমদি সোমালি ফোর্সশিংদা অঙম্বা মতেং পীবা হৌরকখিবনি।

# হোলান্দে য়াদবগী খোঙজং ভাইওলেন্স য়াওরকখ্রে



*পেরিস, জনুৱারি ২৭ঃ* ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রেঙ্কো হোলান্দেগী পোলিসিশিংগী মায়োক্তা ঙরাং মীয়ামনা চংশিনখিবা অচৌবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমদগী ভাইওলেন্স য়াওবা খোঙজং ওল্লক্তুনা পুলিস পার্সোনেল অমা থিনা শোকখ্রে। অদুগা ৱাকৎলোই ২৫০ রোমসু ফাজিনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা হায়বগী মতুংইন্না লম্বীদা ৱাকৎলোই লিশিং ২০ লোম পুনখি হায়না ফোঙদোকখি। অদুগা হকচিন্না রাইটিষ্ট ৱাখল্লোন চেনবা লুপশিংগী অপুনবা লুপ অমা ওইনা ৱাকৎ ঈহৌ অদুবু শিল লাংখিবা লুপ অমনা হায়বদদি ঙরাংগী ঈহৌ অদুদা পুনখিবা মীকোক ১,৬০,০০০ নি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখিবশিং অদু গে-মেরিয়েজগা মরী লৈনবা অনৌবা লো অমগীসু য়াওনা হিরম কয়ামরুমদা খোইশাওনবা মীয়ামশিং ওইখি। মরুওইনা টেক্স হেনগৎলকপা, মীয়াম্বু থবক পীদবা, ফ্রান্সতা ইস্লাম লাইনিং হেনগৎলকপা, ফোঙদোকপগী নিংতম্বা হন্থহল্লকপা, অঙাং য়ৈথবা য়াহনবা অসিনচিংবা থৌশিল কয়াগী মতাংদা য়ানিংদবদগী মীয়াম হৌরকখিবনি। ফ্রান্সতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি অদুমক নুংঙাইরি হায়না ফোঙদোকপা মীওই কয়ামরুমসু মপুন্সিগী অহানবা ওইনা ঙরাংগী ৱাকৎ ঈহৌ অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

ৱাকৎ খোঙজং অদু লোইশিল্লকপদা নোংমৈ য়াওনা অতৈ খুৎলায়শিং পায়বা মীওই কয়ামরুমসু ৱাকৎ খোঙজং মরক্তা য়েপশিল্লকখি। খোল্লাও কয়াসু লাউখি। য়োৎচৈ, য়োৎতেক পায়বা ৱাকৎলোইশিংনা মৈখুগী বোমশিং, বোট্টলশিং অমদি প্রোজেক্টাইল মখল খরা পুলিসতা লংশিনবগা লোয়ননা পুলিসকা ওনশিন্নদুনা খুৎ থোক্লখি হায়রি।

হান্নমা এন্টি সেমাইট নত্রগা এন্টি ইস্লাম নত্রগা এন্টি হোমো সেক্সুয়েল ওইবা লুপ কয়ামরুমনা খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লরগা প্রসিদেন্ট হোলান্দেনা মালেমগী থাক্তা শক্তম অমা শোকচিল্লক্লিবা অসিগী মায়োক্তা পুন্না ঈহৌ চংশিমিন্নখিবনি।

মীওই কয়ামরুমনা হোলান্দেবু প্রসিদেন্টকী ফমদগী লৌথোক্লুবা পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনবা খোল্লাওশিং লাউখি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# য়ুকেদা ঈচাও অমসুং উনগীদমক খুকউ শেনবা হৌখ্রে



*লণ্ডন, জনুৱারি ২৭ঃ* খা-নোংচুপ থংবা ইংলেন্দদা ঈচাওগী অকনবা ৱার্নিং অদুমক লৈবদগী মীয়ামনা ইনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিবু পেন্দবা ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা অকনবা ঈচাও মায়োক্লনা শেম শাখ্রে হায়রি।

সোমরসেটতা এম পিশিং অমদি লৌমীশিংনা ইমাই ৱাংখৎলক্লিবা তুরেলশিং ঈশিং চিংথোক্তবগীদমক ইনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিবু পেন্দবা ফোঙদোক্লবা হৌরক্লে।

অদুবু এজেন্সিনা হায়রিবদি ঈশিং চীংথোক্তুনসু হন্দক থোক্লিবা ঈচাও অসি থিংবা ঙল্লমগদবা নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইনভাইরোনমেন্ট সেক্রেটরি ওৱেন পেটর্সননা হায়খিবদা, ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিং অদুগী অমদি শোকপা য়ারিবা মফমশিংগী ওইবা চুনবা এক্সন প্লান অমা হান্না শেম্বা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক ইনভাইরোনমেন্ট এজেন্সি অসিনা মফম কয়ামরুমদা ফ্লদ ৱার্নিংশিং লাউথোকখ্রে। মফম ১০ দি খা নোংচুপ থংবা ইংলেন্দদনি। লমদমশিং অসিদা নোং হেন্না চুবা য়াবগী ফোরকাষ্ট লাউথোক্তুনা লৈরিবনি। পেটর্সননা লোকেল এম পি শিং অমদি সোমরসেটতা লৈবা মীয়ামগা ঈচাওগী মরমদা খন্নবসু হৌখ্রে।

ইনভাইরোনমেন্ট এজেন্সিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা, সোমরসেট লেভেলদা তুরেল অমদি টাইদকী লেভেলনা য়াহনবগী চাংদা ঈশিং চিংথোকখিনবা ঐখোয়না তৌবা য়াবা খুদিংমক তৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না অহেনবা মেইন পৱার পুশিল্লে। অদুগা লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তগী পম্প ইক্বিপমেন্ট পুম্নমকসু পুশিল্লে। পুং ২৪ চুপ্না পম্প ৬৫ না ঈশিং চিংথোক্লি। সোমরসেটতা অমুক্তা অসুম্না ঈশিং চীংথোকপদা হন্দক্কী অসিনা খ্বাইদগী চাওবা থৌরাংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা মহাক্না হায়খিবদা, তুরেল তেংথোকপা হায়বসিনা লিশাং শিংনা খ্বাইদগী ফগদবা থৌরাংদি ওইদে। অদুগা সোমরসেট লেভেলদা তুরেলশিং তেংথোক্লুম্বনা হন্দক্কী পাক শন্না থোকখিবা ঈচাও অদু থোকহল্লমদবা য়াবাসু ওইখিদে হায়না ফোঙদোকখিদে।

ঈচাওনা শোক্লবা মফমশিংদা য়েংবা লাকখিবা থেঙ্খাং অমদা মহাক্না হায়খিবদা, খ্বাইদগী ফবা প্লান অমা মহাক্না হান্না খঙলগা মথংগী চয়োল ৬ ফাওবগী মনুংদা থবক ওন্থোকপা য়াগদবা লোং টার্ম সোলুসন অমা পাম্মী হায়না মহাক্না পোঙদোকখি।

# কেন্সর লাইয়েংবদা ম্যুজিক থেরাপিনা মতেং ওই



*কেন্সর জর্নেলদা য়াওখিবা ষ্টদি অমদা কেন্সরগী লায়েং চথরিবা নহা ওইরিবা মীওইশিং অমদি টিন এজরশিংদা ম্যুজিক থেরাপিনা কান্নবা পী হায়বগী খুদমশিং থেংনখ্রে।*

*মশাগী চহি ১১ দগীনা ২৪ ফাওবদা লৈবা কেন্সর পেসেন্ট কাংলুপ অমগী এক্সপরিয়েন্স থিগৎপদা মখোয়না ম্যুজিক ভিদিও পুথোক্লবা চয়োল অহুম্লোম হোৎনখি হায়বা খঙবদগী মখোয়গী মরমদা অমেরিকাগী রিসার্চর খরনা মখা তানা থিগৎখি।*

*মদুদা পেসেন্টশিং অদু কেন্সরনা লাকশিল্লকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী মঙম অমসুং ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপিজাশিংগা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহল্লকখি হায়বা খঙবা ঙমখি। পেসেন্ট পুম্নমক কা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইবা য়াবা ষ্টেমসেল ট্রান্সপ্লান্ট ট্রিটমেন্ট চথরিবা ঙাক্তনি। মখোয়না ম্যুজিক ভিদিওশিং পুথোক্লবা হোৎনবদা নহা ওইরিবা অনাবশিং অদু ঈশৈ ময়েক ইহনবা ভিদিও ইমেজ খোমজিনবা, ৱারী লেংবা অমদি রেকোর্দিং তৌবা অসিনচিংবা থবকশিং চথখি। মখোয়বু ক্বালিফাইদ ওইরবা ম্যুজিক থেরাপিষ্ট অমনা লমজিং লমতাকপীখি। মখোয়গী থবক লোইরবদা ভিদিওশিং অদু ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংশিংগা প্রেমিয়ারশিং পাঙথোক্তুনা শরুক য়ামিন্নখি। সেসনশিং অসিগী মতুংদা ম্যুজিক থেরাপি ফংখিদবা অনাবা কাংলুপ অমগা চাংদম্নবদা মখোয়না হেন্না কেন্সরনা লাকশিল্লকপদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা অমদি লায়েং চথবদা হেন্না লায়না থোকপা ফিভম অমা থেংনখি। নুমিৎ ১০০ নি লায়েং চথরবা মতুংদা গ্রুপ অদুনা ইমুং মনুং অমদি মরুপ মপাংশিংগা হেন্না নুংঙাইনা ৱা ফাওদোক্লবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখি।*

# মীওই অমনা মশাগী ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা ফোটো ফেসবুক্তা থাগৎলুবদগী ফাখ্রে

*ৱাশিংটন, জনুৱারি ২৭ঃ* য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈবা মীওই অমনা, পুলিস দিপার্টমেন্টনা মহাকপু ৱান্টেদ লাউথোকপগীদমক কাপখিবা ফোটো অমা ৱাখল ইতৌ তৌদনা ফেসবুক্তা থাগৎলুবদগী ইকান কান্নদনা পুং ১ রোমগী মতুংদা মীশক অদু পুলিসনা ফাখ্রে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা ফাবা পামদুনা ৱান্টেদ লাউথোকপা মীশিংগী মরক্তা য়াওবা এন্থোনি জেমস লেস্কোৱিটস জুনিয়ার হায়বা মীশক অসি হৌখিবা চহিগী নভেম্বর থাদগী পেন্সিলভানিয়াদা পুলিসনা ফানবা হোৎনরকখিবা থেঙ্খাং কয়ারক্তগী নাম্থোক্তুনা লৈরকখিবনি। মশাগী চহি ৩৫ শুরবা লেস্কোৱিটসকী ফোটো অদু ফ্রি লেন্দ পুলিস দিপার্টমেন্টনা মমাং চয়োলদা ফেসবুক্তা থাগৎখিবনি। মরাল কয়ামরুমগী চার্জ মায়োক্লদুনা মহাক পুলিসনা ফানবা থিরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

ফেসবুক্তগী মহাক্কী ফোটো অদু লেস্কোৱিটসনা থেংনখিবগা লোয়ননা মহাক মশানসু ফোটো অদু সেয়ার তৌখিবনি। মহাক্না পুলিসপু করেম্নবা ৱারোলসু ফেসবুক্তা থাগৎখি হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

মশক লোৎপা পুলিস ওফিসার অমনা মশক ফজবী নুপী অমগী ফোটো থাগৎলগা লেস্কোৱিটসকা চাটিং তৌনখি। অদুগা খঙবা য়াবা ৱাফমশিং খঙদোক্লবা মতুংদা উননবা হায়নরগা পুলিসনা মহাকপু ফাখি।



অইবা অমসুং অয়েকপা নোংলান





## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-137

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | | | | | 2 |
| | 6 | 7 | | | | 3 | | 4 |
| | | | 2 | | 7 | | | 5 |
| | | | 9 | | 8 | | 6 | |
| | | 8 | | 5 | | | 9 | |
| | | 9 | 7 | | 6 | | | |
| | | | | | 4 | | 2 | |
| | | | | | 9 | | | 7 |
| | 4 | | 8 | | | | 5 | |

Prepared by : ROGER -A

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 3 | 8 | 7 | 9 | 6 | 2 | 5 |
| 2 | 6 | 9 | 1 | 4 | 5 | 3 | 8 | 7 |
| 7 | 5 | 8 | 6 | 3 | 2 | 4 | 1 | 9 |
| 5 | 9 | 4 | 2 | 1 | 7 | 8 | 6 | 3 |
| 3 | 2 | 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 9 | 1 |
| 8 | 7 | 1 | 3 | 9 | 6 | 2 | 5 | 4 |
| 4 | 8 | 5 | 7 | 6 | 1 | 9 | 3 | 2 |
| 9 | 3 | 2 | 4 | 5 | 8 | 1 | 7 | 6 |
| 6 | 1 | 7 | 9 | 2 | 3 | 5 | 4 | 8 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*